# ষণাওদা খোমথী ফায়বা - ষণবুনা করম্না ঙাকথোক্কনি



**- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -**

ষণাওদা খোমথী ফায়বা/dairrhoea /calf scour হায়নসু খঙনরিবা অসি ষণাওনা মপীদগী খায়নদ্রি মমাঙদা য়াম্না থোকপা লায়ওং মখল অমনি। মসিনা ষণাও মচাগী ইলেক্ট্রোলাইট ময়াম অমা মাঙখিদুনা হকচাং শোন্থরক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা ষণবুশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা চেকশিনবীবা তঙাইফদে।

**ষণাওদা করম্না খোমথী ফায়রকপগে?**

খোমথী ফায়বগী মরম য়াম্না য়াম্মী। মরু ওইবা মরম খরা মখাদা থমজরি :

➢ পোকপদা ঙাইরিবা ষণাওমচাশিংনা মপীদগী অহানবা থোক্লকপা অনঙবা খোম্লাং অসি পুং ১২দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীথকহৌরগদি Colostral antibodies ময়াম অমা চূপশিন্দুনা ইম্মুন হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা পুং ২৪গী মতুংদা পীথক্লগদি হায়রিবা এন্টিবোদিশিংসি চূপশিনবা ঙমদদুনা তূম্বা ঙমদবদগী Dairrhoea থোকহল্লি।

➢ ষণাওনা লৈরিবা অকোয়বগী ফীভমসি ফগৎত্রগদি ষণাওগী হকচাং শোন্থরক্তুনা লায়ওং অসি থোকহল্লি।

➢ ষণাও হেক পোকপগা হৌগৎনবা হোৎনদুনা মপীদগী খোম্লাং থক্লবা হোৎনৈ। করিগুম্বা ষণাওসি ষন্থি-ষণযুং য়াম্না তৈদুনা মোৎপা ওইরগদি মসিনা Diarrhoea থোকহনবগী অচৌবা মচাক অমসু ওইহল্লি।

➢ ষণবীনা ঙন্না শিখিবা থোক্লগদি ষণাওদুদা পীথক্লবা শঙ্গোমদু নীংথিনা শেম শাবীদ্রবা, লূ-নান্না শেম্বীদ্রবা, শাবগী চাং খেন্নরবা অমদি মতম চানা পীথকহৌদ্রগদি মচাদা ষ্ট্রেশ কয়া অমা লাক্তুনা Diarrhoea অসি থোকহল্লি।

**Calf scour গী লায়ওং :**

ষণাওনা মখোঙ হাম্বা মতমদা মহি ওইনা হঙ্গাম্পান মচু নৎত্রগা উৎ মানবা মচুদা নপত্রোং মানবা য়াওরকই, করিগুম্বা মতমদা ঈ খরা য়াওরকপসু থেংনৈ। মহি ওইনা ফায়রবনিনা ষণাওগী মনীং থংবরোমদা মহিদু চোৎপসু থেংনগনি। ষণাওসু মশা চোকথনা উগনি অমদি মমীৎ কুৎশিনবা থেংনগনি, উনশাসু কঙবা উগনি।



**খোমথী ফায়রগনা করম্না লায়েংগনি :**

Dairrhoea তৌরগদি মহি-মনাই পীথকপসি য়াম্নমক মথৌ তাই। মহিসি ইশানা শেম্বীবসু য়াই। মসিদা থুম চামচ অমা, সোদাবাইগপ চামচ অনী ঈশিং লিটর ২দা হাপ্পীরগা পীথকপীগনি। ষণাওদা চিনিগী শরুকসি হাপ্পীরোইদবনি। মরমদি মসি হাপ্লগদি তুম্বা ৱাই। মসিনা মরম ওইদুনা হেন্না Diarrhoea তৌবগী চাং ৱাংহল্লি। মহি পীথকপগী চাংসি কেজি ১০ লূম্বা ষণাওদা লিটর ১গী চাংদা 3-4 লক পীথকপীগনি। মরক্তা শঙ্গোম পীথকপীগে হায়রগদি অশেম্বা মহিদু পীথক্লবা তুংদা পুং ২ লৈরগা নৎত্রগা পীথক্ত্রিঙৈ পুং ২গী মমাঙদা পীথকপনা হেন্না ফৈ। মরমদি মহি শেম্বদা সোদাবাইগপ য়াওবনিনা তুম্বা ৱাই। Diarrhoea লাকপা মতমদা মপীদগী শঙ্গোম পীথকপা লেপ্পীগনি। কা হেন্না শোকচিনবা উরগদি মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তর অমা কৌরগা লায়েংবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফগনি।

**লায়না অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি :**

➢ ষণাও পোক্লবা মতুং মপীগী মনাক্তা পুং ২৪দি থম্বীগনি।

➢ চরূ থম্বীদুনা নীংথিনা মপীদু মচা পোকহনবীগনি।

➢ অনঙবা শঙ্গোম/কোলোষ্ট্রম পোক্লবা মতুং পুং ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীথকপীগনি।

➢ করিগুম্বা মমা ঙন্না কায়নবা তারগদি কোলোষ্ট্রম পাওদর তোঙান্না লৈরগা পীথকপীগনি।

➢ মচা পোকপা মতমদা অতোপ্পা ষণশিংগী মরক্তগা পোকহনবীরোইদবনি, তোঙান্না মফম চাবা অমা য়েংলগা খায়দোক্লগা পোকহনবীগনি।

➢ মচা পোক্কদবা মফমদু লূ-নান্না থম্বীগনি।

➢ অতোপ্পা শঙ্গোম পীথকপা তারগদি অঈংবা শঙ্গোম কৈদৌঙৈদসু পীথকপীরোইদবনি।

➢ ষণবীদা অফবা মখলগী মচীঞ্জাক, অরুবা ঈশিং পীথকপীগনি।

➢ ষণাও থম্বা মতমদা কা হেন্না চিনবা মফমদা থম্বীরোইদবনি। অফবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংবা মফমদা থম্বীগনি।

অসুম্না ষণবুনা নীংথিনা লূ-নান্না ষণাওশিং থম্বীদুনা অফবা মখলগী মচীঞ্জাক ষণবীদা পীজবীবা অমদি পুং ১২দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা কোলোষ্ট্রম পীথকহৌরগদি লায়না অসিদগী ঙকেথোকপা ঙম্বদা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা য়োকপা ঙমগনি। ●

# পাম্বীশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অমসুং ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং

**- ডা. ৱাইখোম জিতেন -**

পাম্বী অমনা মতোন চোংদুনা হৌরকপদগী মপূং মরৈ ফাদুনা মহৈ য়ানবা নৎত্রগা অনৌবা পাম্বীশিং থাদোকপা য়ানবগী ফীভম ওইরক্লবা হোৎনবা মতমদা তঙাইফদনা মচীঞ্জাক মখল ১৬ চঙই। অসিগুম্বা মচীঞ্জাকশিং অসিগী মনুংদা কার্বোন, হায়দ্রোজেন অমসুং ওক্সিজেন অহুম অসিনা ঈশিং অমসুং নুংশিত্তগী পাম্বীশিংনা ফংলবা মতুংদা পাম্বীনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা দরকার লৈরিবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক অসি নাইত্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মনি। নাইত্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মবু প্রাইমারি ন্যুত্রিএন্ট হায়না খঙনবগা লোয়ননা মখোয়গী হেক মতুংদা পাম্বীনা চাং ৱাংনা দরকার লৈবা মচীঞ্জাক অসি কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফরনি। প্রাইমারি ন্যুত্রিএন্টশিংগী হেক মতুংদা পাম্বীশিংনা চাং ৱাংনা দরকার লৈবনা মরম ওইদুনা কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফরবু সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনৈ।

লিশাংশিংনা চাথোক লৈবা তোঙান তোঙানবা মহৈ-মরোং মখল কয়া অমা লেপ্পুনা থারকপা, পাম্বীগী মচীঞ্জাক ওইনবগীদমক খূৎশেমগী হারশিংদমক লৌফমদা হাপ্পুনা, ষন্থি-ষণযুং অমদি কম্পোষ্টনচিংবা শীজিন্নদবনা মরম ওইদুনা লৌফমদা য়াওরম্বা পাম্বীগী মচীঞ্জাক ওইগদবা মচলশিং নোংম-নোংমগী ময়েং তারক্তুনা ঙসিদি কেলসিয়ম কৌবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক্কী মচল অসি ৱাৎলকপগী খুদম চাংদমশিং ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংদা উৎপা হৌরক্লে।


ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎনবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিং মখাদা পীরি।

**১) লৈবাক্কী মখল :**- লৌফম অদু লৈঙোই লম ওইদুনা ঈশিং থুনা চুমথগনবা মফম ওইরবদি য়াওরম্বা কেলসিয়মশিংসু ঈশিংনা চুমথখিদুনা লৌফম অদু কেলসিয়ম য়াওবগী চাং নেমগনি। অশিনবা অমদি অয়াকপা লৌফমশিংসু মহৌশানা লৈবাক্তা কেলসিয়ম চাং নেম্না য়াওই। অমরোমদা অমুক লৌফম অদুদা মেগনিসিয়ম, এমোনিয়ম ($NH_4$) নৎত্রগা পোটাসিয়ম কা হেন্না ৱাংনা য়াওবনা পাম্বীশিংনা কেলসিয়ম লৌখৎপদা অপনবা পীদুনা পাম্বীশিংনা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎপা য়াই। মরম অদুনা কা হেন্না শিনবা/অয়াকপা লৌফম, লৈঙোই লম ওইনা তৌবা মফম অমদি পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং খল কায়না য়াওবা মফমশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্কনি।

**২) হার কা হেন্না শীজিন্নবা :**- কেলসিয়ম লৌখৎপদা অপনবা পীবা পাম্বী মচীঞ্জাক য়াওবা হার মখলশিং খুদম ওইনা মেগনিসিয়ম, পোটাসিয়ম, এমোনিয়ম, ফোসফরস কা হেন্না লৌফমদা চাইবনসু কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওংশিং পাম্বীদা উৎথোকহনবা য়াই।

**৩) কা হেনবা অঈং-অশাগী ফীভম :**- মহৌশাগী লৈরিবা অঈং-অশাগী ফীভম অসিদা কা হেনবা মওংশিং য়াওরকপদগী পাম্বীশিং মশাদগী ঈশিং মনিল থাদোকপগী থৌওং লেপখিবা য়াই। অসুম্না পাম্বীনা মশাদগী ঈশিং মনিল থাদোকপগী (ত্রান্সপিরেশন) থৌওং লেপখিবসিনা ঈশিংদা তুংদুনা য়াওরক্কদবা কেলসিয়মশিং পাম্বীগী মফম শিন থুংনা চাইখাইবা ঙমদদুনা কেলসিয়ম য়ৌদবা মফমশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকপনি।

**৪) কা হেন্না চাওখৎপা :**- পাম্বীশিংনা হম-হম চাওখৎলকপা মতমদা কা হেন্না শাবা নৎত্রগা অকোয়বদগী ঈনিল য়াম্না মাঙনবগী থৌওংশিং তৌবনা পাম্বীশিংদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকপা য়াই।




কেলসিয়মনা পাম্বী অমদা য়াওরিবা সেল হায়বদুগী মপানগী কুয়োমশিং ফীভম কায়দনা থম্বা, পাম্বীগী মরূ-মরা চাওখৎহনবা অমদি অতোপ্পা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং পাম্বীনা লৌখৎপদা মতেং পাংই। অসুম্না কেলসিয়মনা সেলগী মপান থংবা কুয়োমশিং মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং মওং কায়দনবা থৌদাং য়াবনিনা মখোয় ৱাৎপগী লায়ওং অসি অনৌবা মনা নৎত্রগা মহৈশিংদা হান্না উবা ফংই। পাম্বী অয়াম্বদা মনাশিং পীকশিনবা, মওং কায়বা, মনাগী মপান থংবা শরুকশিংদা ৱাওথাংনবা মচুগী দাগফমশিং লৈরকপা থেংনগনি। পাম্বীগী মনা অমদি মহৈশিংগী মতোন থংবা শরুকশিং পূম্বা নৎত্রগা শিবা থেংনগনি। তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা মচীঞ্জাক মখল অসি ৱাৎপগী লায়ওং তোঙান তোঙান্না উৎলি। কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কোবি, খামেন অশিনবা, চুজাক, থবীনচিংবা পনবা য়াই। চুজাক পাম্বীশিংদা মনা ঙৌথোরকপগা লোয়ননা অনৌবা মনাশিং তিংথোকপা ঙমদদুনা য়েংবদা কৈরাক মওং মান্না লৈবা থেংনবীগনি।

খামেন অশিনবা পাম্বীগী মহৈগী মনীং থংবা শরুকশিং মুনা খামদেক্তুনা পুমশিল্লকপা থেংনবীগনি। কোবি ফুল পাম্বীগী অনৌবা মনাশিং মচু ঙৌথোকপগা লোয়ননা য়েংবদা চে মান্না ইপা-পানা লৈবা থেংনবীগনি। থবী পাম্বীগী মনাশিং মখারোমদা কোনথবা য়েংবদা Parachute মওং মান্না লৈবা অদুগা থবী পাম্বীগী মকোয় অদু তিংথোকপদা খাকপনচিংবা থেংনবীগনি। অয়াম্বা পাম্বীশিং কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অসি অনৌবা মনাগী শরুকশিংদা অঙৌবা মফুৎ-মফুৎ য়াওরকপগা লোয়ননা মনাগী মপান থংবা শরুকশিং কংশিল্লকপা অমদি ফিবাল অদু মতৎ-মতৎ তৎপা থেংনবীগনি।

মথক্কী লায়ওংশিং অসি থেংনবীরবদি অথুবগী ওইনা মনাদা কাপ্পা য়াবা হীদাকশিং নুমিৎ ১০-১৫ কান্নরগা ২/৩ লক কাপ্পীবগা লোয়ননা ঈশিং চাং নাইনা চনবীগনি। অদুগা মখা তাবদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীরগা লৈবাক্তা হাপ্পা য়াবা পোৎলমশিং হাপ্পীগনি।

**মনাদা কাপ্পা য়াবা হীদাকশিং :**- ১) কেসিয়ম নাইত্রেট গ্রাম ১০০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা।

২) কেলসিয়ম মিলিলিটর ২০-২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা।

৩) মেগনাকেল মিলিলিটর ২০-২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা।

৪) বোরোকেল মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীবা।

করিগুম্বা লৌফম অদুদা মমাঙদা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উখ্রবা অদুগা লৈবাক্তা কেলসিয়ম হেনগৎনবা পোৎলমশিং হাপ্পীবা লৈত্রবদি পাম্বীশিং নৌনা থাবগী হৌগৎলকপা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওংদি উৎপা হৌদ্রিঙৈদা মথক্কী হীদাকশিং অসিদগী অমা লৌবীরগা নুমিৎ ১০-১৫নি কান্নরগা অনী নৎত্রগা অহুম্লক কাপ্পীগনি।

**লৌফমদা পায়খৎকদবশিং :**- কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওংশিং পাম্বীশিংদা উরবদি লৌফম অদু অথুবদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীগদবনি। চাংয়েংগী ফল মতুংইন্না তোঙানবা পায়খৎপীগদবশিং মনুংদা খরদং থমজরি।

১) লৌফমদা শুনু/দোলোমাইট হাপ্পুনা কেলসিয়ম য়াওবগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা।

২) লৌফম অপুম্বা অদু শুনু হাপ্পগী খুদোংচাবা লৈত্রবসু পোৎ থাগদৌরিবা কাঞ্জুল পরেং অদুতা ওইরবসু শুনু হাপ্পীবা কাউবীরোইদবনি। লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা Agricultural Lime ($CaCO_3$) হায়বা শুনু মখল অসি কেজি ১২৫না কাঞ্জুল পরেংশিংদা হাপ্পীদুনা লৈবাক্তা কেলসিয়ম য়াওবগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনবীগদবনি। মসিদা নত্তনা থাবিরিবা পাম্বীশিং অদু ঈশিং চাং নাইনা চনবীবা, লৈবাক্তা ঈনিল কুইনা ফাদুনা থম্বদা মতেং পাংনবগীদমক ষন্থি-ষণযুং নৎত্রগা কম্পোষ্ট হাপ্পীবা, লৌউবদগী থোরকপা লেমহৌবা লেমহৌখাকশিং লৌফমদা খোইজিন্দুনা ওর্গানিক মেট্টর য়াওবগী চাং হেনগৎহনগদবনি।

৩) লৌফমদা ফোসফরস ফংহন্নবগী দাইএমোনিয়ম ফোসফরসকী মহুত্তা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট নৎত্রগা রোক ফোসফেটগুম্বা হাপ্পীগনি।

৪) মতম শাংনা চৎকদবা পাম্বৈ অমা ওইনা য়েরূম, কোঙ্গ্রেং মকু নৎত্রগা থরোই মকুগুম্বা কূপ্পা তকখায়রগা হাপ্পীবদা কান্নবা ফংবীগনি।

লৌউবগী পোথোক হেনগৎহন্নবা, লৌফম লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা মফম ওইনবা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপা পাম্বীশিংদা উরক্লিবা লায়ওং অদুগী মতুংইন্না পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং মতম চানা পায়খৎমিন্নরসি। ●

# হঙ্গামদা তাবা শাথীবা তীল ৱাহিক (অফিদস)

**- লোংজম বোরিস -**

হঙ্গাম হায়রিবা পাম্বীদা তাগনবা খ্বাইদগী শাথীবা তীলশিংগী মনুংদা ৱাহিক (Mustard aphids : *Lipaphis erysimi* Kalt.) সু অমনি। তীল মখল অসিনা হঙ্গামগী চাথোক চাদা ৭৩.৩ য়ৌনা হন্থহনবতা নত্তনা হঙ্গাম থাউ থোকপগী চাং চাদা ৬৬.৯০ ফাওবা য়ৌনা হন্থহল্লি। তীল মখল অসিনা হঙ্গাম পাম্বীনা লৈ শাৎপা অমদি মপান শারকপা মতমদগী হৌনা তাদুনা চাদা ১০০ ফাওবা য়ৌনা হঙ্গাম পাম্বীশিং মাঙহল্লি।

**তীলগী মশক :**

• ৱাহিক তীল (Mustard aphid) হায়রিবা তীল মখল অসি অশংবা মচু ওইনা তৌবা তীল মখল অমনি। মপূং ফানা চাউরবা তীল অমনা ২.৫ এম এমদগী হেন্দে।

• ৱাহিক তীল অসিনা মচা পোকপা অসি লাবা-অমোম লৈমিন্নরগা (sexual fertilization) অমদি ৱাহিক অমোম্না মচা অমোম পোকপা (parthenogenesis) থৌওংনা মচা পোকই।

• ৱাহিক তীলনা মচা কোকপা অসি হঙ্গাম মরূগী য়াংলেন (midprib) দা কোকশিল্লি। মচাদগী মপূং ফারবা মপী ওইবা মতম ফাওবদা 1st, 2nd, 3rd অমদি 4th instars চঙই। চাওরাক্লা মচাদগী 4th instar ফাওবা য়াওরকপা মতমদা নুমিৎ ৮-৯নি চঙই।

• তীল অসিনা পাম্বীদা তাবগী মতম অসি দিসেম্বর থা ময়ায়দগীনা ফেব্রুৱারী থাখায় ফাওবা পাক শন্না তাই। অঈং-অশাগী চাংনা ১০-২৭°সী অমদি নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং ঈনিলগী চাংনা চাদা ৬৮ ওইবা মতমদনা তীল অসি তাবগী চাং হেল্লি।

• ৱাহিক তীলশিংনা পাম্বীগী মহী চুপথোকপা খক্তা নত্তনা ভাইরেল লায়না কয়াগীসু শন্দোক্লবা মরম ওইদুনা চাউনা অমাঙ অতা থোকহল্লি। ৱাহীক তীল অসি অতোপ্পা non-persistent ওইবা লায়না ১০ রোম শন্দোকই। ভাইরস অসিনা কোবি, হঙ্গাম মুল্লা অমদি অতোপ্পা পাম্বীশিংদা ভাইরেল লায়না কয়া শন্দোকই।

***মতৌ করম্না ৱাহিক তীলনা মাঙহন-তাকহনবা থোকহনবগে :***

• হঙ্গাম পাম্বীদা ৱাহিক তীল কা হেন্না তাবনা মনাদা নাপু মচু চঙবা, মনা কঙশিল্লকপা অমদি মরূ চঙবা ৱাৎপা অমদি মরূ কা হেন্না পীকপা অসিনচিংবা থোকহল্লি। মসি খক্তা নত্তনা ৱাহিক তীলনা পাম্বীগী মহি চূপথোকপগী অরেম্বা (sap) দা কোকফাই শুজা (sooty smould) থোকহন্দুনা পাম্বীনা ফোটোসিন্থেসিস তৌবা ঙম্বগী চাং হন্থহল্লি।



Figure: Hanggam da Wahik taba (Source: DRMR,Bharatpur)

• কা হেন্না শাথীনা তারবা মফমশিংদা মনা কোনশিনবা, হঙ্গাম মরূ চঙবা ঙমদবনচিংবা থোকহল্লি।

• ৱাহিক তীল অসি Cruciferae গী মনুং চনবা পাম্বীশিংদা অয়াম্বনা তাকল্লি।

***ৱাহিক তীল লাকশিন্নবা পাম্বৈ খরা :***

• হঙ্গাম হুনবা মতমদা খরা ঙন্না হুনবীবা অমদি এন পি কে হাপ্পগী চাং কাঙলোন চুম্না হাপ্পীবনা ৱাহিক তিল তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

• মরূ হুনবা মতমদা কা হেন্না কূংনা হুনবীদবা অমদি হুল্লবা মতুংদা অরন-অকূংগী চাং মান্ননা শেম্বীবনা ৱাহিক তীল তাবগী চাং নেমহল্লি।

• *Cociniella semptempunctata* হায়রিবা তীল অসিনা ৱাহিক তীল অসি চাদুনা লৌফমদা ৱাহিক তীল তাবগী চাং হন্থহল্লি।

• *Metarhizium anisopliae, Beauvaria bassiana* অমদি *Bacillus thuringiensis* হায়রিবা entomopathogenic biospesticides শিং অসিনা ৱাহিক তীল অসি চাদা ৮৩.২৩ ফাওবা য়ৌনা লাকশিনবা ঙম্মী। Biopesticides শিং শীজিন্নবনা অকোয়বদা অকায়বা পীবা অমদি কেমিকেলশিং শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী।

• *Ageratum conizoides, Parthenium hysterophorsu, Lantana camera, Saolanm nigrum, Cannabis sativa, Calotropis gigantean, Livistona chinensis, Cassia angustifolia* - হায়রিবা পাম্বীশিং অসিগী মহি (extract) শিংদা মেথানোলিক এসিদকী শরুক য়াওবনা মরম ওইরগা ৱাহিক তীল লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

• Neem oil 2% @ 2ml /liter গী চাংদা কাপথোকপীরবসু ৱাহিক তীল অসি লাকশিনবা ঙম্মী।

• হঙ্গামদা তাবা ৱাহিক তীল লাকশিনবদা Systemic Insecticides শীজিন্নবনা তীল অসি থুনা লাকশিনবা য়াই। Imidacloprid 17.8SL অমদি Fipronil 5SC হায়রিবা হীদাক অনী অসি শীজিন্নরবদি ৱাহিক তীল অসি চাদা ৯০ য়ৌনা লায়না লাকশিনবা ঙম্মী।

• কেমিকেল হীদাক কা হেন্না শীজিন্নবনা Pest resurgence, Pest outbreak অমদি Pest resistance থোকহনবা য়াবগী অকিবা লৈ। য়ারিবমখৈ তুং কোইনা শীজিন্নবদা অকোয়বা অমদি মীওইবগী হকচাং শোক্তবা Biopesticdes, Botanicals নচিংবশিং শীজিন্নদুনা অকোয়বগী খল কায়হন্দবা তঙাইফদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।